# মণিপুর হোক্কীনা হোক্কী পঞ্জাব থোইদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):** হোক্কী ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা টামিল নাদুগী চেন্নাইদা লৈবা মেয়র রাধা কৃষ্ণন হোক্কী ষ্টেদিয়মদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ১৪রক শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সিনিয়র মেন নেসনল চেম্পিয়নশিপকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মণিপুর হোক্কীনা হোক্কী পঞ্জাব পেনাল্টি শুটআউটতা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবদগী হৌখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মণিপুর হোক্কী অমসুং হোক্কী পঞ্জাবকী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অমনা অমবু লাকচনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অহানবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ১৪শুবা মিনটতা মণিপুরগী দিফেন্দর সিরিল লুগুননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা পঞ্জাবকী শান্নরোয়শিংনা হৈন-শিংনা শান্নদুনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু ১৮ অমসুং ২৪শুবা মিনটতা মথংশিংনা মনিন্দর সিংহ অমসুং রভনিট সিংহনা অমমম্ চনখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবদা পঞ্জাবনা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌগৎলকপদা মণিপুরনা ফজরবা কাউন্টর এটেকশিং চথদুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৩৬শুবা মিনটতা মণিপুরগী সিরিল লুগুননা মেটচ অদুদা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ২-২দা মান্ননা লৈখি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম্ চন্নবা ঙমখি। মণিপুর হোক্কীগী পাঞ্জল অদুনা ৫১শুবা মিনটতা সিরিল লুগুননা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা হেটট্রিক ফংবা ঙমখি। অদুগা হোক্কী পঞ্জাবকী পাঞ্জল অদুনা ৫৯শুবা মিনটতা রভনিট সিংহনা চনখিবনি। মেটচ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ৩-৩দা মান্ননা লৈখি। মদুনা মরম ওইরগা টিম অনীগী মরক্তা শুটআউট তৌননবা রেফরিনা খঙহনখি।

শুটআউটতা মণিপুর হোক্কীনা হোক্কী পঞ্জাবপু পাঞ্জল ৪-৩দা থোইদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখিবনি। শুটআউটতা মণিপুর হোক্কীগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি শংলাকপম নিলাকান্ত, মোইরাংথেম রবিচন্দ্র অমসুং কোথাজিৎনা অমমম্ চনখি। অদুগা লাইশ্রম দিপুদা হোক্কী পঞ্জাবকী গোলকীপরনা ফাউল প্লে তৌরকপদগী পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা ফংখি। মদু নিলাকান্তনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা পূন্না পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। অদুগা হোক্কী পঞ্জাবকী পাঞ্জল অহুম অদুনা হরজিৎ সিংহ, মনিন্দর সিংহ অমসুং গুরসাহিজিৎনা চনখিবনি। থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা মণিপুর হোক্কী অমসুং হোক্কী এসোসিএশন ওফ ওরিষ্যাগী মরক্তা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ শান্নরগনি।

# ৱিমেন্স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি : দিপিকাগী পাঞ্জলনা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়া থোইখ্রে



**রাজগির, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী):** বিহারগী রাজগিরদা চথরিবা ৱিমেন্স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী ওইনা ঙরাং ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়া মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা অহানবা ক্বার্টরগী ৩শুবা মিনটতা নবনিট কোরনা হৈন-শিংনা পীরকখিবা পাস অমা সঙ্গিতা কুমারীনা লায়না কন্ট্রোল তৌদুনা খোঙলৈ থুনা পাঞ্জল চন্নবা য়ৈশিনখি। মহাক্কী গোল অদু সাউথ কোরিয়াগী কীপরনা থিংবা ঙমহৌদবদগী অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ২০শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু দিপিকানা চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা ক্বার্টর অমদি অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াদগী পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা হান্নদগী হেন্না যাম্না কন্না শান্নরকখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী শান্নবগী মওং-মতৌ হোংদোরকপগা লোয়ননা কাউন্টর এটেকশিং যাম্না তোয়না চথবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবশিং মশীং হেন্না ফংবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩৪শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী লি যুরিনা অহানবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখি। ইকান কান্নদনা মেটচ অদুগী ৩৮শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়া টিমগী কেপ্টেন চিওন ইয়ুনবীনা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ২-২দা মান্ননা লৈখি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেটচ অদু মায় পাক্তবা য়াদে হায়বগী মওংদা মখোয়গী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উথোক্লদুনা শান্নরকখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু য়েংবদা যাম্না নুংঙাইবা ওইখিবগা লোয়ননা কনানা মায় পাক্কদগে হায়বা অয়েংবশিংনা হায়বা ঙম্নখিদে। নাকল অনীমক্না ফজরবা কাউন্টর এটেকশিং চথনদুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরবসু মখোয়গী হৈ-শিংলবা গোলকীপরশিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবা খূদোংচাবশিং পীখিদে। মদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তাখি।

অমরোমদা, মেটচ লোইরমদাই ৫৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ওইনা পেনাল্টি ষ্ট্রোককী খূদোংচাবা অমা ফংখি। পেনাল্টি ষ্ট্রোক অদু ইন্দিয়াগী হৈ-শিংলবী শান্নরোয় দিপিকানা যাম্না ফজবা মওংদা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# সন্তোশ ট্রোফিদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):** ত্রিপুরাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৮লক শুবা নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফি ২০২৪-২৫দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা মীওই ২৬না শাবা টিম ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেশনল এয়রপোর্ট থাদোকখ্রে হায়রি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকীপরশিংদা সলাম সনাতোন অমসুং থোমাস সগোলশেমনি। দিফেন্দরশিংদনা সুঞ্জানিথন রাগুই, মনোহরময়ুম কবিরাজ, লাইরেনলাকপম ধনঞ্জয়, নিংঙোম্বম কবিরাজ, নাওরোইবম রোমেন, তখেল্লম্বম বুংসন, য়ালচান কসার, লিল সোংসির মোন্সাং অমসুং কুমাম অভিনাশনি। মিদফিল্ডরশিংনা লোয়াঙম্বা মৈতৈ অকোইজম, সরাংথেম রাজধান, সুরচন্দ্র মৈতৈ যুম্নাম, প্রভিন খাঙেম্বম, কাঙম্বম লানঙম্বা, লৈমজম শঙ্কর অমসুং লাইরেনলাকপম লানঙম্বনি। ফোরৱার্দতা য়াওরিবশিংনা কোন্থৌজম অমরজিৎ, এল টি লোলি, খুল্লাকপম জহির খান অমসুং ঙাঙোম রোনাল্ডনি।

টিম অসিদা ওফিসল ওইনা য়াওরিবশিংনা থাংজম ইবোতোম্বী (টিম মেনেজর), কামৈ জয় রোংমৈ (হেদ কোচ), হিদম প্রেমকুমার (এসিষ্টেন্ট কোচ) অমসুং নান্দেবম জিনা (ফিজিওথেরাপিষ্ট)নি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরনা চাওনা মায় পাকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়রি।

# ওইনাম (এ) কাংখূৎনা ৱিন্নর ওইখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কৈনৌদা চথখিবা অহানবা ওইনাম কেন্দ্রৱাইজ ওপন অমসুং চহী ৬০ মথক্কী লীগ কম নোকআউট কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪গী মপু ওইনাম (এ) কাংখূৎনা ওইখ্রে।

কৈনৌ থোংথক অৱাং লৈকাইদা লৈবা রাধামান্দপ কাংশঙদা চথখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেটচতা ওইনাম (এ) কাংখূৎনা ওইনাম (বি) কাংখূৎপু পাঞ্জল ২৮-১৭তা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

চথখিবা কাং টুর্নামেন্ট অদু ক্লাসা কাং য়ুনিট কৈনৌগী শেন্থং মখাদা ওইনাম কাংখূৎনা শীনবনি। কাংখূৎ ১১না গ্রুপ অনী থোক্না শরুক য়াদুনা চথখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী অখন্নবা মনাদা বেষ্ট লমথাগী ওইনা ওইনাম (এ) কাংখূৎকী দল্লিয়ু প্রেমজিৎনা ফংখি। বেষ্ট চেকফৈগী টাইটলনা ওইনাম (এ)গী ঐচ শান্তিকুমার অমদি ওইনাম (বি)গী এন হেমন্ত অনীনা পূন্না ফংমিন্নখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী এৱার্দনা ওইনাম (সী) অমদি হৈঙাং কাংখূৎ অনীনা তামিন্নখি।

## আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট আর্মরেষ্টলিং এসোসিএশননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪দা সেগা রোদ খ্বাইরাকপম লৈকাইদা লৈবা সী আর এল সী কম্যুনিটি হোলদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মরী লৈনবা ফোর্ম সিটি ফার্মাসি কৈশাম্পাৎ সীসীপুর পার্কিং অমসুং ঈ জি সী লাইব্রেরি শীংজমৈ পার্কিংদগী ফংগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ২১দা ওইগনি। হেন্না অকুপ্পা মরোল মোবাইল নম্বর ৮০১৪১৬৩৪৯০ নৎত্রগা ৭০৮৫৪৩৪০৭০দগী খঙবা য়াগনি হায়না এসোসিএশন অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

# নেশনল স্কুল গেমসতা শরুক য়ারুগদবা ফেন্সিংগী শান্নরোয়শিং খোঙশানখ্রে



**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ১৭তগী হৌরগা ২৭ ফাওবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৮লক শুবা নেশনল স্কুল গেমসগী ফেন্সিং মশান্নদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর স্কুল ফেন্সিং টিম ঙসি জম্মু কাশ্মীরগীদমক খোঙশানখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগীদমক খোঙশানখ্রবা মণিপুরগী অন্দর-১৭কী নুপামচা অমসুং নুপীমচা টিম অদুদা পূন্না শান্নরোয় ২৪ অমদি ওফিসল ৩ য়াওরি।

শান্নরোয়শিং অদুদি অন্দর-১৭গী বোইজ ফোইলগীদা য়াওরিবা ফেন্সরশিংদি কে ঐচ রজিভ, এন রতনকুমার, কে পৃথিবিরাজ, পি য়োহেনবনি। অন্দর-১৭ গর্লসকীদা য়াওরিবশিংনা টি মঙাললৈবী, মাইবম গীতারানী, ঐচ তোনিবীয়া, এল থোইথোই চনুনি। বোইজ ইপিদা য়াওরিবশিংনা কে দ্রোনেল, তোন্তাং হিজম, এস ঐচ জেনিথ, ঐচ নেলসননি। গর্লস ইপিগীদা য়াওরিবশিংনা এন চনু জ্যোটিরিকা, এন দিবিয়া, এন জেজি অমসুং কে জেনিতানি।

বোইজ সেবরগীদা য়াওরিবশিংনা সাইওন নিংঙোম্বম, শাওলিন নিংঙোম্বম, কৌব্রু নেপ্রম অমসুং ঐচ দেনিএলনি। অদুগা গর্লস সেবরদা য়াওরিবশিংনা পি বেবী দাইনা, পি অম্বিকা, পায়ল নিংঙোম্বম অমসুং প্রিয়া নিংঙোম্বমনি।

টিম ওফিসল ওইনা শরুক য়ারিবশিংনা নুপাগী কোচতা অতোম শাওলিন মৈতৈ, নুপীগী কোচতা দল্লিয়ু থোইবী, অদুগা মেনেজর ওইনা ঐচ বিচুনি হায়রি।

# নুপাগী ইন্দিভিজ্যুএল ট্রেদিশনেলদা য়েংখোম রোশন অদুগা নুপীগীদনা বেবীরোজনা ৱিন্নর ওইখ্রে




**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):** মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা নেশনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেশন টেক্নোলোজি (নৈলিট)না শীন্দুনা অরাম্বম ইবোমচা এলিয়স মোইবুংখোংবা মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ যোগসনা (মেন) টুর্নামেন্ট অমদি অরাম্বম ওংবী রূপবতি দেবী মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ যোগসনা (ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ ঙরাং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ইন্দিভিজ্যুএল ট্রেদিশনেলদা খা মণিপুর কোলেজগী য়েংখোম রোশন অদুগা নুপীগীদনা ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী এস ঐচ বেবীরোজনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা তোঙান-তোঙানবা কোলেজশিংদগী লাকখিবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংনা অথোই-অহেন চাংদম্নখি। মদুদা মেন ইন্দিভিজ্যুএল ট্রেদিসনদা রোশননা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা মোইরাংথেম মালেমঙানবনা রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি। রিদমিককী ওইনা নাওরেম বিরহরি কোলেজগী শিবানন্দ থিয়ামনা ৱিন্নর ওইখি। গ্রুপকী ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা নাওরেম বিরহরি কোলেজনা রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি। নুপীগী ইন্দিভিজ্যুএল ট্রেদিশনেলদা বেবীরোজনা ৱিন্নর ওইখি অদুগা ইম্ফাল কোলেজগী অঙোম সুসমিলিয়ানা রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি। রিদমিককী ওইনা টি এস পোল মণিপুর ৱিমেন্স কোলেজগী জেনিফর থোঙামনা ৱিন্নর অদুগা নাওরেম বিরহরি কোলেজগী থৌনাওজম সনাথোইনা রন্নর্স অপ তাখি। গ্রুপকীদনা যুম্নু নৈলিটনা ৱিন্নর অদুগা নাওরেম বিরহরি কোলেজনা রন্নর্স অপ তাখি হায়না ওর্গনাইজিং সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# অহানবা ফেজগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):** এ আই এফ এফ একাদেমি এক্রিদিটেশন ২০২৪-২৫গী ওইবা অহানবা ফেজগী রিজল্ট ঙরাং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)না লাউথোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)গী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা রিজল্ট অদুদা মণিপুরগী ক্লব মঙা য়াওরকখ্রে হায়রি।

ক্লবশিং অদুদি ২ ষ্টার রেটিংগী ওইনা অসুফি ফুটবোল একাদেমি, ফুটবোল ফোর চেঞ্জ একাদেমি, পোলোই ফুটবোল ক্লব অমসুং টি ৱাই দি এনি। অদুগা ১ ষ্টার রেটিংদা য়াওরকখ্রবা ক্লব অদুনা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি (সী এফ এ) নি হায়রি। ক্লবশিং অসিনা এ আই এফ এফ একাদেমি এক্রিদিটেশনদা মায় পাক্লকখিবা অদুবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকই হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

# ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):** অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ন্যু সোমটাল ভিলেজদা অসাম রাইফলস টিম অমসুং খুঙ্গং অদুগী নহাশিংনা শেম্বা টিমগী মরক্তা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুগী মতুংইন্না শান্ন-খোৎনববু য়োকখৎনবা অমদি নহাশিংবু মশা-মঊ ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অদু পাঙথোকখিবনি। মেটচ অদু খুঙ্গং অদুগী নহা টিমনা মায় পাকখি। মায় পাক্লবা টিমদা য়াওরিবা নহাশিং অদুবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি হায়না অসাম রাইফলসকী চেরোল অসিনা মখা তারি।

VEHICLES / MACHINERY / PENSION LOAN AVAILABLE
(used vehicles exchange offer)


- # 2/Wheeler : Classic 350, Hero Xtreme 160R, Jawa 350, Activa, Dio, Jupiter etc.
- # 3/Wheeler : Diesel Auto, Petrol Auto, e-Rickshaw etc.
- # 4/Wheeler : Eco Van, Super Carry, Tata ACE Gold, Jeeto etc.
- # 4/Wheeler : Thar, Alto 800, Tata Nexon/ Punch/ Tiago + Luxury cars etc.
- # Machinery : Stone Crusher items, Flex Printer, Rice Mill, Tyre Fitting set, Car Wash Machine set etc.
- # 2/3/4 Wheeler used vehicles exchange গী offer পীজরি।
- # State/Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা Pension Loan গী খূদোংচাবা পীজরি।

EMPLOYMENT NEWS
# Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Chicken Centre অমসুং Poultry Farm গী মী (Boy) পামজে।

Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : 1) # 9362775475
2) # 9383154086

HL-B/9104/18/10-14/11

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1305**

IM Fa Eid (2327) - CM Gyo Meszaros (2200)
Titled Tue 1st Oct Early chess.com INT (4), 2024.10.01

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 g6 | 2.d4 Bg7 | 3.Nc3 e6 | 4.Be3 h6 |
| 5.Qd2 Ne7 | 6.O-O-O d5 | 7.f3 a6 | 8.Kb1 b6 |
| 9.h4 Bb7 | 10.g4 Nd7 | 11.h5 g5 | 12.Nge2 c5 |
| 13.exd5 Nxd5 | 14.Ne4 Nxe3 | 15.Qxe3 Bxe4 | 16.fxe4 cxd4 |
| 17.Nxd4 Qc7 | 18.Nf3 O-O | 19.Nxg5 hxg5 | 20.Qxg5 Qe5 |
| 21.Qc1 Nc5 | 22.Bd3 Na4 | 23.c3 Rac8 | 24.g5 Nxc3+ |
| 25.bxc3 Rxc3 | 26.Qb2… | | |

**QUESTION :** Black to checkmate

**Puzzle 1304 Solution :**

**17. …Qh4+** The black queen decoys White's king. The black queen deflects White's king away from protecting the pawn.
**18. Kxh4**
18.Kf3 Qxf2#
18.Kxf4 Qf6+ 19.Kg3 Qxf2#
18.Kh2 Qxf2+ 19.Kh1 Qg2#
**18. ...Bxf2#** Boden's mate
**0-1**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com